# অমুরক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা নিসানা মীজোরামগী রেটলাংবু মায়থীবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

FOOTBALL

| SEMI FINAL |
|---|
| TRAU vs NEROCA (7-1-2014) MAIN STADIUM (1.30 PM) |
| SSB vs NISA (8-1-2014) MAIN STADIUM (1.30 PM) |



রেটলাংগী শান্নরোই অমনা পুখিবা বোল অমা নিসাগী শান্নরোই ৩ না থিংনবা হোৎনখিবা।

57TH CC MEET FOOTBALL

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৬ঃ*
সি সি মিটকী ইং ২০০৭ ইডিসনদা অহানবা ওইনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা নোর্থ ইম্ফাল স্পোর্টিং এসোসিয়েসন (নিসা) থাংমৈবন্দনা রেটলাং ফুটবোল ক্লব শিল্লোংবু গোল ৩–১ দা মায়থীবা পীরগা ৫৭ শুবা ইডিসনগী অরোইবা সেমি ফাইনেল চঙবা টিম ওইখ্রে।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা চথরিবা ৫৭ শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ কে সি এস আই, সি বি ঈ মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৩ গী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু ভাবকশিংনা য়াম্না নুংঙাইবা মেটচ অমা ওইগনি হায়না আশা তৌনরম্লবসু মদুমক্তি ওইখিদ্রে। নিসানা য়াম্না হেন্না কন্না শান্নখিবগী খুদোংচাবা লৌদুনা মেটচ হৌগৎলকপগী মরিশুবা মিনিটতা অজিৎ কুমার সিংহনাগ পাস্তা এল সনাতোম্বনা গোল অমা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গোলসু এল সনাতোম্বনা জি গোলমৈগী পাস্তা চনখি।

রেটলাং ফুটবোল ক্লব টিম্না পোরিবা গোল অনী অদু হন্দোক্লনবা য়াম্না কন্না শান্নদুনা সাম্যুল লালমুয়েন পুয়ানা ৬১ শুবা মিনিটতা গোল অমা হন্দোক্তুনা ১–২ দা লৈহনখি। ৬৯ শুবা মিনিটতা নিসাগী এস মনিমোহননা ফ্রি কিক্তা অনৌবা গোল অমা চন্দুনা ৩–১ দা মায় পাকহনখিবনি। নিসাগী পি রোমেশ, রেটলাংগী আর লালরেম রাউতা অমদি লালদুৱা জ্বালাদা রেফরিনা মথংশিংনা ১১, ৬৪ অমসুং ৬৭ শুবা মিনিটতা য়েল্লো কার্দ অমম বুক তৌখি।

# সেনা কপ্তা এ ভি ও অমদি কে টি সি মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৬ঃ*
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংগী মীৎয়েং মখাদা সেনা এথলেট ওর্গনাইজেসন (সাউ) ককচিং ৱাইরিনা শিন্দুনা ওর্গনাইজেসন অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৫ শুবা সেনা কপ ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকী লীগ মেটচশিংদা এ ভি ও ককচিং অমদি কে টি সি ককচিং মায় পাকখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা গ্রুপ (বি)গী মেটচতা এ ভি ও ককচিংনা জে এ ককচিংবু গোল ৬–০ দা চাওনা মায়থীবা পীখ্রে। এ ভি ওগী গোলশিং অদু কিষননা ৪৩, ৫০ অমদি ৫৫ শুবা মিনিটতা অহুম, মঙলেম্বনা ৭ অমদি ৩২ শুবা মিনিটতা ২ অমদি কামসোননা ৪৪ শুবা মিনিটতা ১ চনখিবনি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ (সি)গী মেটচতনা কে টি সি ককচিংনা কে এফ সি ককচিংবু গোল ৫–০ দা মায়থীবা পীখ্রে। কে টি সিগী গোলশিং অদু গুনেনা ৩, রোনেল অমদি গ্রেদসননা অমমম চনখিবনি।




# কৃপসা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ প্রীমিয়র কপকী ফাইনেল চঙখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৬ঃ*
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা আর্টিফিসিয়েল টর্ফ খুমন লম্পাক্তা চথরিবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ প্রীমিয়র কপ সেলেক্সন কম্পিটিসনগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা কৃপসা নাওরেমথোংনা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালবু টাই ব্রেক্তা গোল ৭–৬ তা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙখ্রে। টিম অনীমক্না অপীবা মতমগী মনুংদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মদবদগী টাই ব্রেক্না মেটচ অদুগী লাইবক লেপ্পখি।

কৃপসাগী গোলশিং অদু এল চরন, কে ঐচ রাজা, টি ঐচ রাহুল, কে ঐচ রঞ্জিৎ, এম রঘু, আই রোকেট অমদি এ অঙম্বনা চনখিবনি। ৱাই দব্লিউ সিগী গোলশিং অদুনা লানসিঙম, এল জেকোপ, এন তিঙ্কু, ঐচ তোনি, এন লন্দনবা অমদি ঐচ বোয়াইনা চনখিবনি।

## আর দি দি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৬ঃ*
ক্যামৈগে আইদিয়েল হায়স্কুল গ্রাউন্দদা এম রবিচন্দ্র ট্রসনা শিন্দুনা চথরিবা ৫ শুবা ষ্টেট লেভেল এম রবিচন্দ্র মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৩ গী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা আর দি দি ৱাঙ্খেনা ৱাফা ৱাঙ্গৈইবু গোল ১–০ দা মায়থীবা পীরগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে। আর দি দি গী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু এ রাজনা ২৭ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। হয়েং নুংথিলগী পুং ২ দা অহানবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ ওইনা লিজবোন লুৱাংশঙবমগা ওসিন কোংবা ইরোংগা শান্নগনি।

# হেরোজিৎ গোল্ড কপ হোক্কীদা ফাম মায় পাকখ্রে, সিও অমদি সি দি ও দ্রো ওইখ্রে

HOCKEY



সিয়ো অমদি সি দি ওনা শান্নখিবা মেটচকী মতাং অমা।

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৬ঃ*
খুমন লম্পাক হোক্কী প্রেক্টিস ফিলদা মণিপুর হোক্কীনা শিন্দুনা ঙরাংদগী চথরিবা অন্দর ১৪ বোইজ হেরোজিৎ ৱারিবম গোল্ড কপ হোক্কী টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকী লীগ মেটচশিংদা ফাম ইম্ফাল মায় পাকখ্রে। সিয়ো শিংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকাই অমদি সি দি ও চরাংপাৎ দ্রো ওইখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ (বি)গী মেটচতা ফাম ইম্ফালনা ঐচ এ ৱাই টি শিংজমৈ ক্ষেত্রিলৈকাইবু গোল ৩–০ দা মায়থীবা পীখ্রে। ফামগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু ৱাই মোনিস্না ১৯ অমসুং ৩৩ শুবা মিনিটতা অনী অমদি কে ঐচ ভিকোনা ৩১ শুবা মিনিটতা অমা চনখিবনি।

অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা গ্রুপ (এ)গী মেটচতা সিয়ো শিংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকাই অমদি সি দি ও চরাংপাৎ গোল ১–১ দা দ্রো ওইখ্রে। সিয়োগী গোল অদুনা আই রোহিটনা ১৭ শুবা মিনিটতা অমদি সি দি ওগী গোল অদুনা এম অঙৌসনানা ২৫ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। সিওগী গোল চনখিবা আই রোহিটদা অম্পয়ারনা ৩৬ শুবা মিনিটতা গ্রীন কার্দ অমা পীখি।




Published by Nongpok Publishers Pvt.Ltd, Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hajari Leikai Imphal Editor in charge: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490
*e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*